
# মোংফম থম্মোয়গী নুংশিবা

মাইস্নাম রাজেশ



CS CamScanner

মাইস্নাম রাজেশ
বাংলাদেশকী মণিপুরী
সাহিত্যদা খোইথুন্নবা
করেম্নবগী শৈরেং মহাও অমা
পুদুনা খোংদারক্লিবা নহা
ওইরিবা কবিনি। মহাক্কী
অয়াম্বা শৈরেংদি রোমান্টিক
ভিশনগী মনুং চনবনি।
লাইরিক অসিনা মহাক্কী
অহানবা খুদোলনি।
ইং কুমজা ১৯৭৭ দা
সিলেটকী শিবগঞ্জ খুঙ্গংদা
পোকপনি। মচিন্নাও মরীগী
মনুংদা খরায়দগী অতোম্বনি।
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য
সংসদ সেন্ট্রাল কমিটিগী
জেনারেল সেক্রেটারী
ওইবীরি।

# মোংফম থম্মোয়গী নুংশিবা

মাইস্নাম রাজেশ

ঈ না ৎ  পা ব লি কে শ ন্স

**MONGFAM THAMMOIGEE NUNGSHIBA**
a collection of Manipuri Poetry, Written by Maisnam Rajesh
Published by E-naat Publications, Sylhet
on Rasa Purnima, 15th November 2005.

**মোংফম থম্মোয়গী নুংশিবা**
**মাইস্নাম রাজেশ**

অহানবা ফোঙবা
রাস পুর্ণিমা
নভেম্বর ১৫, ২০০৫

অফোঙবা
ঈনাৎ পাবলিকেশন্স
ছায়াতরু-৪, লামাবাজার, সিলেট, বাংলাদেশ।

লাইরিক ফঙফম
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ
সেন্ট্রাল কমিটি, সিলেট।

© অইবা

মখুম
এন যোগেশ্বর অপু

লাইরিক নম্বা
ঈনাৎ পাবলিকেশন্স, সিলেট।

মমল
৭০ টাকা (বাংলাদেশ)
৫০ রুপী (ইন্ডিয়া)

CamScanner

কৎচবা

ঐগী অহানবা লাইরিক অসি উবদা
খৱাইদগী হেন্না হরাওরমগদবা
লাইগী খূয়া তানখ্রবা
পাবুং শ্রী মাইস্নাম রাঘব সিংহ

অমসুং

অঙাউবা মচা অমগী
মমা ওইরুবগী মরালনা
অৱা চৈথেং খাংলিবী
ইমা শ্রীমতিগী খুয়াদা।

## নুংশিবাগী লিমেরিক

পূর্ণিমাগী থাজ নত্তে মায়থোংদো
ফাইবোক থরো নত্তে মীৎ অনিদো
ইচম চম্লবা
ঈ-শরুনা শাবা
থাজৈ মীনম্বা নুংশি ৱাহৈদো।



CamScanner

## ওন্নতৈনবা

১.
বসন্ত লাকলে
পলাশ শিমুল শাৎলে
থম্মোয়-কোকিল মকু ওইনা
লক্ষ্মী থিবা চৎলে।

২.
রাধা-কৃষ্ণনা শান্নবা লীলাগী মফমদো
হায়নৈ রাসমঞ্চ।
ঐখোয়না লীলা তৌরবদি মফমদো
ওইনি ফাঁসিমঞ্চ।

৩.
মায়থোংদৈ রাশি মতূম মতূম কেল্লি
থম্মোয়দি জাফলং-নূংদৈ হেন্না কল্লি।

৪.
ময়ামনা হায়
নুংশিবনা কায়না মৈচাক চাকহল্লি।
ঐনা হায়
কায়না মৈচাকনা নুংশিবা খঙহল্লি।

৫.
আতিয়া থাপ্লা লৈরসু
য়াম্না থাপ্তে থম্মোয়দৈ
নঙ লৈ থম্মোয়নুংদা
অদুবু কয়া থাপ্লা..



CamScanner

## এটমিক শৈরেং

১.
অমুক্তং কৌ
অমুক্তং খোংঙু বাঁশি
অরাবা পুন্নমক কাউনা
হায়নি – নুংশি।

২.
নঙবু উরুবদৈ
নুংশি মৈচাক চাকলে
থম্মোয় উৎ ওইরে।

৩.
থম্মোয়সে প্রি-প্রেইড মোবাইল ওইরে
নুংশিবা ইজি রিচার্জ তৌবা য়ারে।

৪.
থম্মোয়দা থম্লিংদদি
শমবুনদা থম্নু কিশি ওইনা
সিট ফংদ্রবসু
স্টেনদিং টিকেট ককচগে
হেলপার ওইনা য়ানজগে।

৫.
অমুক হন্না উন্নরে
মীৎকা মীৎ য়ৈনরে
ইঙেলগী নোং খাকলে
নুংশি মৈচাক চাকলে।

৬.
মহাক্কী শমবুনদা
নোংজুগী অহানবা কদম
ফজরে ফজরে
শমবুনদৈ অহেনবা য়েনদাই
মালেমদা লৈত্রে।



CamScanner

৭.
মহাক্কী শমবুনদা
কুন্দগী পরেং
ফজরে ফজরে
কনানা কনাবু ফজহল্লিমো
খঙবা ঙমদ্রে।

৮.
ঐগী নুংশিবগী অরোইবা রেজিষ্ট্রেশন
জমা থল্লে নঙগী মোংফম থম্মোয়দা
অফিস কোপিনা – শৈরেংদা।

৯.
থম্মোয়গী স্লুইসগেইট কায়রে
হন্না হন্না নুংশি ইচেলদা
মাগী নুংশিবদা চৈনা লৈ
থৌসাদবা লৈতে।

১০.
উচেক তৌনা পাইনি
নঙগী থম্মোয় আতিয়াদা
থম্লোয় ঐগী পাইবগী ইতিহাস
অদুবু পাইনা চৎকনী
অদুনা ঐগী হরাওবনী।



CS CamScanner

## ব্রাহং

১.
ঐনা খল্লি
ঐগী মীওয়বগী লাইবক্তা
নুংশিবা হায়বা পোৎসে মরিচীকাগুম
করিগীদমক্তা মাঙখিবনো?
চহি চুপ্পমা নুংশিরগা করিগী মাঙলিবনো
মীৎকুপ অমগী তুকৎচবদা?

২.
থাবলনা ঙাওহল্লসু
থাজদি লাক্কুনা অকায়বা সুমাঙদা
ফমগদরো?
খোঙচৎদা মিনোক্তো উহল্লসু
ইনাক্তা লাক্কুনা কৈদৌনসু
ফমগদরো?

৩.
নুঙায়তবসে লোয়ননা খোকলমি
লম্বি খঙদ্রবা লম্বেনদা
ধ্রুবতারাবু মাঙদা থম্না।
খঙদ্রে কয়া থাপনা চৎতোইমো
খঙদ্রে কনাগী অৱাবা থম্মোয়দা
লৈবা ফংদোইমো?

৪.
নুংশিবী
নঙগী থম্মোয়সে করম্বা ময়েক্লা
য়েকপনো?
হায়রোগ্লিফিক্স'নারো?

৫.
নঙগী ফ্রেঞ্চ কিস্‌তা
থাজ লোৎলে ইকায়না
নোং মরক্তা।
ঐদী লোৎকনী কদায়দা?



CamScanner

## মনুং মপাল

আতিয়াদা নোংগী মায়থোং ৱারৌবী নুপীগুম
হৌজিকমক কপ্পা লৈবাকতা তাগদবা মালি।
শিৎ-শিৎনা নুংশিৎসু আক্তা লেপকরে
মথোং মরাং খঙদনা অয়ুকগী আতিয়া
নুংথিনদা নুঙায়তবগী মূর্তি ওইরে।
ঙহাক লৈরগা হৌরে ৱারৌবীগী কপ্পা
পিক্লবা লংগী কাঙখল কুমথরে
মপাল পৃথিবী মুথৎলে
য়ুম্না পৃথিবী ওইরে।

## আহবান

সমুদ্রগী ইচেলনা তোর্ব্বানদা লাকই
পরশ পিবা হন্না-হন্না ; নুংশিনা
অদুম্না নঙসু লাকউ ইনাক্তা
ইচম চম্না ; নুংশিনা।

## অশোয়বা থবক

মাবু নিংজররোই হায়না
কাওজনিংনা লৈরে
কাওজনিংবসে অশোয়বা ওইরে
অশোয়বসিনা ঙহাক লৈতনা
নিংশিংনা লৈরে।

## অহেনবী

নঙগী শমলাংদো নুংশিৎদা পাইরদি
নোংনা করি হেল্লুনি
নঙনা জগোই শারদি
ৱাহোং জগোয় শাবা কাউগনি
নঙনা লৈ-ফানেক শেৎলদি
মোইরাং'কাবা ইন্নফি ইল্লাদি
ঐশ্বর্য রাইনা করি হেল্লুনি।

## থম্লনু লোৎনা

মীনোক্তো লৈত্রে মীৎতুদা
নুঙায়তবা মায়থোংদা
করিগী ফম্লিবা লম্বি মনাক্তা ?
সখী নঙবু য়েংলুনে
হিংগোনদা লৈরাং শাৎলেনে
নঙগী মায়থোং উদুনা
লৈরাং ময়াম কপ্লেনে।
লাকলো সখী ফমলো ইনাক্তা
হায়রো থম্মোয়গী অব্রাবা
নঙগী অলোৎপা অব্রাবা
থম্লনু থম্মোয়নুংদা।



CamScanner

## হিদাক

হেমন্তগী অয়ুক্তা বর্ষাগী নোং তারে
হরাওবা পাম্বনা নোংদা চোৎলুরে
নুঙাল্লগা হৌরে অরুম কুল্লে ফমুংদা।
পেরাসিটামোল য়োৎলে..
অদুবু নুংশিবী মাগী পুক্লিংগুম
অরুমদী অমুক থাদোকই অমুক হৌরি।
ডাক্তারনা হায় অরুমসিদি টাইফোয়েদনি
এন্টিবায়োটিক য়োৎলো সেলাইন থারো
পুক্লিংনা খল্লি য়ৌরেনা অনাবদি।
অদুবু ঐদী খংঙি
নঙনী ঐগী পুন্নমক অনাবগী হিদাক
নঙগী খুৎনা খতং শোকপদা
ঐবু তৌবা ঙমগনী
অনৌবা অশংবা অয়ুক তৌনা
খীং-খীং লাউহনবা।
নঙ ইনাক্তা লাও
শোকলো হকচাংদা
অশংবা পাম্বীগী অনৌবা মশা তৌনা
অমুক চোংখৎলগে ঐহাক।



CamScanner

## নুংশি সিনড্রোম

মীৎকা মীৎ ব্লারী শান্নরদি
থম্মোয়দা মৈখু হৌবনী
উনরগা নুংশাস্বর ঙহাক লেপ্পদি
নুংশি মৈচাক চাকপনি।

## নুংশি সিম্বল

নঙগী
লেপ্লা লৈবা মীৎয়েংদা
চিনবান কুনাগী নোকফেৎদা
থম্মোয় হুরে।
ঈশ্বর! অসিবু নুংশিবা কৌবরো
অসিরো নুংশিবা!

## ডিপ ডিফেন্ডার

অমা অনী তৌনা রাল খারি
এটাক পুন্নমক থিঙলি
মতম মতমদা
ডিফেন্স থুগাইবা পাস পিরি
গোলসু চল্লি।

অমুকসু
থুনা মখা কুম্লগা দূর্গ সেম্লি
স্পিরিটমা য়াওনা শান্নরি।
লোয়রমদায়গী মাঙদা পাউদো তারে
খোঙ-খুৎ চোকথরে
মীৎতা তনদন পাইরে
মাদী রিপোর্টারগী লোয়নবী ওইরম্লে
ঐখোয়গী সাপোর্টার ওইরমদ্রে।

## পুন্নমক পিনী

হন্দক বসন্তগী সুরসে মওংমা তৌরি
কেল্লবা অকংবা মনাগী সুরগুম।
বসন্তনা নুমিৎ খুদিংমক্তা কাউহন্দনা
মাগী পিরাং লোৎনা থনমলী
মিনোক মনুঙদা।
ঙসি ঐ ইমোনবু পাঙথোক্কনী
সমুদ্র মপানগী নুঙায়তবা নুংশাস্বরদা।
মালেম ঐগী নুংশিবা
নঙনা পামজবা ঐগী লৈজবা –
খুৎকী পরশ, থম্মোয়গী ঈশৈ
ঐহাক পিনী
পুন্নমক পিনী।



CamScanner

## পুঙ্গিগী মহাও

ভিসুভিয়াস পোখায়বদা নিক্নে
হৌখিবা ইতিহাসগী জুৰার
অনৌবা পৃথিবীগী নৌরবা লৈনাংদা লুপ্পুরে
মীৎলু-থৱায়-হকচাং .. ..
তংঙুরে মহৌশা পুঙ্গিগী মহাও।
বাঁশিদা সুর থোক্নে
খোংঙু খোংঙু পেন্না খোংঙু।



CamScanner

## তখেন সিরিজ

১.
তখেন লৈরাং উরুবদা
ঐদী য়াল্লে থরাক থরাক
হাইভোল্টেজগী দোতারাদা চুপ্পা লৈবা
অশিবা শেকপি ওইনা।
২.
থাংলোনদা শারি জগোই চামেলী
তেন তেন তা তেকে তেন তা
অসোমদা থম্মোয়নুংদা খোংঙি
ষ্টাফনোটগী রিদোমদা হাওয়াইন গিটার।
৩.
লৈনাং থম্মোয় চৎলী
অদুম চৎলী নুংশিমতমগী ইচেলদা
মতমদুদা নঙ লাকই – কপ্পগীদমক
ঐগী নুঙায়তবা তম্পাকবু
ব্রং-ব্রং লাউনা চাকহনবগীদমক।
৪.
ইয়ুথ হোষ্টেলগী বেলকোনিদৈ য়েঙুই
তখেনগী বসন্ত অতিয়া
ওহাক লৈতনা শিৎলী মলয়া নুংশিৎ
নোং মরক্তা কেকুৎলোৎপি শান্নে থাজ
থম্মোয় তম্পাক তাওরী
থাবলদা.....
নুংশিৎতা.....
তাওখিদে নুংশিবগী অহানবা তাঙ্কক।
৫.
তখেন লৈরাং
নঙগী
থম্মোয়নুংগী ওমচাকনবদা চাক্লে
মীৎতা চেল্লিবা থুম-ঈশিং ইচেলদা তাওরে
হকচাংগী বিন্দু কায়বা হুমাংদা চোৎলে
ঐগী
থম্মোয় পুঙ্গিগী তাল-লয়।



CamScanner

## পাউখুম ফংদ্রবা ৱাহং

নুমিদাং ওইদ্রী
মুরবা নোংনা মম্লে সন্ধ্যা
কুপ্লে নীংকায়বগী মৈখুনা অতিয়াগী থৱানমিচাক
চাক্লিবা কুপীগী নিক্লবা মৈরীদা হংজে –
মাবু লাকওয়দরো অৱাবা খঙোয়দরো?

ইনাক্তা কনাসু লৈতে ৱাহংসে য়ৌহনবগীদমক
পাউখুম ফঙদনা অদুম মাঙখ্রে
সন্ধ্যাগী অমম্বদা
শূণ্যগী মনুঙদা।

ঈখৌলাংবা

নুংশিবা নঙনা করম্বা লমদমদা পুরক্লিমো?
অসিদা থৱানমিচাক ময়ামদা য়েংলগা
যুগ-যুগগী প্রেমিক ময়ামগী মায়থোং উবা ফংঙি।
অসিদা লৈরাং ময়াম্না হায়রি
থম্মোয়দা থম্মু কাউগনু কাউগনু..........
থম্মোয় উংঙে
ঈশৈমা শক্রুদি থম্মোয় চিংখায়রনি।



CamScanner

## নিংজবা

নুঙায়তবসে করম্না লোয়হনগনী
ঐগী ঙমখৈ লৈতবা নুঙায়তবসে।
চথোক-চশিন, থবক-থনাদা উনৈ
ৱারী-ৱাতা শান্নে
খঙবা ঙমদে নিঙোল থম্মোয়।
ফংবা ফংদবগী তোর্ব্বানদা লেপ্পগা
ঐদী পিজখী খুৎ অনি তিংথোক্লা
লৌবিখিদে মাদী–অৱাৎপা লৈতবনা।

হৌজিকসু মাবু ফংনীংঙি
ৱারী সুনিংঙী অহাংবা মতমদা
কদমগী মনমদা ঙাওরবা
থবক লৈতবা ইঙেনগী সন্ধ্যাদা।



CamScanner

## ৩০ সেপ্টেম্বর

ইম্ফালগী অতিয়াদা ঙসি হারাও-কুম্মৈ
খুনুগী শঙ্গুসু পুল্লরে অতিয়াদা।
ঙসি অতিয়াদা নুংশিৎতা....
হকচাংগী ঈ-দা, শরুদা......
করম্বা অশেংবনো?
পরমা ঙসি নঙ ইনাক্তা লৈরম্মদী তাহল্লমগনী
অনৌবা ঈশৈ নত্রগা অনৌবা শৈরেংমা।
তৌরিবা কুম্মৈসে করিগীনো?
ইনাক্তা ফমলিবা অহলদুবু হংবদা পাউখুম পিরকই –
'খংদ্রা! ঙসি জননেতাগী মপোক কুমওন্নী'।

## লেঙদ্রবা

ফজরবা নুংশিবনা তাওহন্বা ঙমগনি
মালেমসিবু।
ফানা পুরকপা ঙমগনি হিগোক মচুগী
অতিয়াবুসু।
অদুবু লম্বি খঙদ্রবা খোঙমীগুম
নোঙমা নত্রগা নোঙমা লেপ্পতায়
লম্বি অমদা।
মতমদুদা
স্মৃতিগী ডাস্টবিনদা পুনগনী
ফংজবা-ফংজদবা, অপেনবা-পেনদবা।
মতমদুদা
শূণ্যগী অহোবদা মাঙলগা খঙগনী
নুংশিবনা
অচুম্বনী
অরোয়বনী।

## বিদায়গী মীৎয়েং

ঙসি অহিংসে মাগীদমক কপ্লে থম্মোয়না
অতিয়াসু চৎলমদায়গী মরুপগুম্না
মুন্না য়েংদুনা লৈরে ইমায়দা।
নুংশিৎদসু বিদায়গী ঈশৈ খোঙলে –
অখঙবা সুরদা খঙদ্রবা ৱাহৈদা।
ইচেল অমা থোক্লি
খঙদ্রে করম্বা নুঙায়তবা অহিংগী পিরাংনো।
মালেমবু অসিগুম্বা শকতা কৈদৌঙৈসু য়েংলুদে
বিদায়গী বাঁশিদা অথোৎপা ধৈবত থেংলগা
মায়কৈ মরি ইমিৎ পাংঙি
অদুগা উবা ফংঙি মালেমগী ফজবা
থাদোক্লা চৎত্রগদি উবা ফঙগদ্রা ?
নুংশিবদা কপ্পা য়াওবদুনা যৌবন শংলিমী
নত্রদী কংগনী যৌবনগী রস ময়াম।
মহৌশাগী গোধুলীলগ্নদা লৈপুনখরে নোকপগা-কপ্পগা
মখোয়গী মিলন কায়বা য়াদে।

## ঈ + থাউ = শান্তি

নঙ লাক্কনি হায়না ফম্না লৈরি
কালেনগী মৈশা খাঙনা ফেন মখাদা
অসোমদা বুশনা ইরাক মৈ থারি।

বেবিলোনগী অতিয়াদা পাইরি লাংজা ময়াম
শান্তিগীদমক থাদরী ক্রুজ, নাপাম, ক্লাস্টার..........

ট্রাইগ্রিস-ইউফ্রেটিস তাওরে লান্মীগী ঈনা
শান্তিগীদমক নীংতম্বগীদমক।
ভেম্পেয়ারনা চুপ্পি ঈ চখোম চখোম
বেরেল বেরেল থাউগীদমক।



CamScanner

## ফ্যাশন

টি-শার্টগী অরাৎপদুনী
নুপী মচাগী ফংজবা
অদুদা ঙাওনা লৈরে
ইম্ফালগী ভেসপা চনুরা।

## শিন্নবা

ঙরাং নঙ লৈরম্মী ঐগী থম্মোয়দা
ঙসিদৈ ঐ লৈগনী নঙগী থম্মোয়দা।

## পাউখুম

ঈ কয়া য়াম্না পীরগা নীংতম্বা ফংঙি
বাংলাদেশনা হায়- 'ঐহাক খংঙি'।
ঈ কয়া য়াম্না হৈরগা সমুদ্র ঙাঙি
পেলেস্টাইননা হায় 'ঐহাক খংঙি'।
অঙৌবা খুনুগী ঈ ঙৌবরা নত্রগা ঙাংবরা
কিউবানা হায় 'ঐহাক খংঙি'।

মণিপুর নঙ হায়ু –
ঈ খুজোক কয়া পিরগা মীৎকুপ অমা শান্তি ফঙগনি?
মণিপুরনা হায় –'ঐহাক হায়রোয়'।

## টেলিটোক

হ্যালো.....কনানো?
ও প্রিয়ারাণী, করি হায়রিমো?
য়াম্না ৱানা লৈ?
চীংদোন মাপল ৱাংমদৈ চেং-চাক সাপ্লাই লাক্তরে?
অদু ওইরদি লাক্‌খোৎনা চারো।
করি! অদুসু তৌবা ঙমদে?
অয়ুক-নুমিদাং নোংমৈ কাপ্লরি?
অদু ওইরদি থবক'মা তৌরো –
লানদা হুই-শগোল পুন্নমক হালালনী
অদুনা নঙগী মাঙদা চথোকচশিন তৌরিবা
খোঙ অনিগী শা ময়াম.......
হোয়নে হোয়নে ঐ মখোয়দুগী ৱানি হায়রিসে
নুতিগী মখোয়দুবু ফানা চাও।
করি হায়রিবা? মখোয়দো মীনি!
অদুদা কদায়দৈ মীনো?
লানদা পুন্নমক হালালনী
অদুনা ফা-ফানা চাও –
হুই, ওক, য়েন চাবগুম।
মীওইবগী ঈ-শরু-শদুম য়াম্না হাওবনী
হিংবগীদমক মী'সু হালালনী।
নখোয় চাক লামে হায়রগা করিগী কীরিবা?
কীরুনু,
অদুবু মরুপ, নোংমৈ মরুদি চারুনু।



CamScanner

## অতিয়া উচেক অমসুং নঙ

গোধুলীদা য়ুম হল্লক্পা উচেকগী মতুদা
নঙবু থীজৈ হন্না হন্না।
নোং মরক্তা শংবানবা অতিয়া উবদা
খল্লি নঙগী ইন্নাফিগী আচলনী হায়না।
ৱাখলগী করি অরানবনো?
নঙদী উচেককী  মতুগুম নীংতম্মী
শংবানবা অতিয়াগুম শংবান্নে।



CamScanner